# অচুম্বসিবু লৈরিববরা - ৩

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

মণিপুর ঙসিদি কোংগ্রেসকী লৈঙাক মূথুৎখ্রে। মতম অমদা মপাল তারল্লবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরম্মী। অদুবু মণিপুর মীয়াম্না মরূ ফাওবা ফূক্তুনা মূথুৎখ্রে। ইথা থাজদনা মণিপুরদা অওনবা লৈঙাক অমা পুরকখ্রে। মসিমক প্রজা মীয়ামগী হক ফজনা পুরকখ্রে। ঙসিমক অহোংবা লৈঙাক অমদি ঐখোয়না ময়েক শেংনা খঙনরে। করম্বা পার্টিনো, করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনো হায়বসি ফজনা খঙনরে। কোংগ্রেসকী মহুৎ শিল্লকইবা পোলিটিকেল পার্টি অসি বি জে পিনি।

বি জে পিনা মমাঙথক্কী লাংজিং চীংগী মমাঙদা বি জে পিগী মকোক থোংবা নরেন্দ্র মোদিনা লাউরম্বা ৱাফম কয়াদুনা মরম ওইরগা অওনবা পাম্বা, অহোংবা পাম্বা প্রজা মীয়াম্না বি জে পিবু অমদি শ্রী মোদিবু থাজদুনা পোলিটিকেল পার্টিগী অফবা ফত্তবা খন্নদনা মতম শাংনা শেঞ্জা থুমজা, অচান মীরাই নাইরবা কোংগ্রেসপু চপ চানা থাজদুনা হৌনরুবা নাইদ তাক্লরুবা য়াওদনা অহোংবসি পুরকখিবনি। অদুবু প্রজা মীয়াম্না কোংগ্রেস পার্টিবু চপ চাবা পাড়া অমা তন্বীখিবসিমক ইতিহাসকী তাঙ্কক অমনি হায়বদবা য়াররোই। তশেংনমক বি জে পিগী লৈঙাক অসিমক প্রজা মীয়াম্না অপাম্বদু ফংলবরা হায়বগী ৱাহং অমদি চাওনা থোরক্লি। তশেংনমক প্রজাশিংগী অপাম্বা অনীংবা অওনবদু ফংলব্রা। ৱাহংসিমদি ঙসি লেপ্তুনা হংনরি হংনদুনা লাক্লি। ৱাহং অসিগী পাউখুম মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। বি জে পি হায়বা পার্টিসি মতম শাংনা কোংগ্রেসকী মায়োক্তা, কোংগ্রেসকী লৈঙাক্তা য়াম্না কূপ্না য়েংদুনা লাকপনা মীয়ামগী অপাম্বা খঙদবদি নত্তে অদুবু পোলিটিক্স হায়বসি প্রজানা থাজবদি ইৱাৎ ৱাৎলি হায়বদুনি মতম অমগী পোলিটিক্সতু ইহোং হোংবা ঙমদবগুম অদুম উনরি।

লাংজিং চীংগী মমাঙদা নরেন্দ্র মোদিনা লাউরম্বশিংদু করিগী অহোংবা অওনবদি ঙসি ফাওবা উৎথোকপা ঙম্নদ্রি। ঙমগদবসু মান্দ্রে। বি জে পি হায়বসি কোংগ্রেস পার্টিদগী করিসু অহোংবা পুরকপা ঙমদনা লৈরে। অশেংবমক কোংগ্রেসকী লৈঙাক্তগী করিসু অহোংবা অওনবা পুরকপা ঙমদ্রি। বি জে পি পার্টি অসি ৱাজাও ঙাঙবা ওইনা ঙসিদি লৌনরক্লে। মসিমক অফবা খোঙথাং অমদি নত্তে। ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমনা লাউরম্বা, ঙাঙলম্বা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্বদু অদুম ঐখোয়গী মণিপুরগী লুচিংবা ওইরিবা, মীয়াম্না ইকায়খুম্নরিবা সী এমনসু করিসু অহোংবা পুরকপা ঙমদে হায়বসি থবক্লা ময়েক শেংনা ককপা য়াদনা ফজনা উরে। বি জে পিগী চীংদা চৎলু, খুঙ্গং চৎলু কয়াদা ফজখ্রবা ৱাখল্লোন অমনো। মমাংথক্কী থবক্লা ফজনা উনরে। চীংদা করিসু অহোংবা লৈতে। খুঙ্গংদসু করিসু অনৌবা উদে। মসিবু করি কান্নরিবনো? ঐখোয়গী সী এমনা লাউরিবা 'ৱার ওন ড্রগস' কী খোঙজং ওন্থোক্লা ফজে, তাবদা মীয়াম্না পাম্নে, থবক ওইনদি করিসু মচি লেংদে। নোংমগী লেপ্তুনা ড্রগকী ৱাথোক তানরি। মপূং ওইনা ড্রগকী করবারদা লুচিংবা ওইরিবা ড্রগকী মপু ঙসি ফাওবা ফাবগী পাউদি থোইনা তানদে। মতম অমগী ড্রগকী করবারদা চেন্নবশিং করিসু প্রজা মীয়াম খঙনা মতিক চাবা দন্দি পীখিদ্রি, পীবসু ঙমগদবা মান্দে।

মণিপুরদা চৎনরিবা আইনসিবু করম্বা আইননো? চহী কুমশিং য়াম্না নমশিন্দুনা থম্লগা করিবু কান্নরিবগে? ঐখোয়গী আইনসিবু করিবু কান্নরিবগে? অচুম্বা অশেংবা মরাল পীবা ঙমদবসি করম্বা আইননো? মণিপুরদা অচুম্বসি মফম কদাইদা চৎনরিবগে? ঐখোয়গী মণিপুরদা অচুম্বসি লৈরিবরা? ৱাহং অসি চহী ৪০গী মথক্তা লেপ্তুনা হংদুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী আইনসিবু শেঞ্জাও পায়বা মী খুজোক খরনা পাল্লবরা? ভোট মমাঙদা পীগদবা দন্দিবু ভোট কাখ্রগা কেস থেংনবদি কৈদৌনুংদা অচুম্বা পুরকপা ওইথোক্লরোই।

মরম অদুনা ভোটকী মীরেপ ওইগে হায়বদি ভোট মমাঙদা য়াদে হায়বা অমনা অথিংবা থমদনা শেঞ্জাও পায়বশিংনা তৌনীং তৌনীংবা তৌবসিগী অচুম্বগী মফম কৈদৌনুংদা পুরকপা খক ঙম্লোই। ঐখোয়গী আইনসিবু করম্বা মখলগী আইননো? ঙসিদি বি জে পিসু কোংগ্রেস পার্টিদগী হেন্না শাথীবা পার্টি ওইরক্লে হায়বসি মীয়াম্না ঙাঙনরক্লিবসি মতম লৈরিঙৈদা চুমথোকহৌবা, মীয়ামগী অপাম্বদা খরদং চৎপীরবদি পোলিটিকেল পার্টিগী ওইনা, মীয়ামগী ওইনা পূন্না য়াইফবা ওইগনি খল্লি। ঙাঙবগী মতম হৌখ্রে। ঙসিদি থবক্লা ময়েক শেংনা উৎথোকপা মতমনি। পার্টিগী লিদর অমনা মীয়াম তিনবা মফমদা ৱাজাও ঙাঙলগা মীয়ামগী খূবাক পাম্বনদি অচুম্বা অশেংবা খক ওইবা য়াররোই, মপূং ওইনা ঙসিদি লাউবগী মহুত্তা থবক ওইনা পায়খৎপা মতম ওইরে। ভোটকী মতমদা শেঞ্জা থুমজানা জয় তৌগনি খল্লবদি অচুম্বা খোঙথাং খক ওইবা য়াররোই। লৈঙাক্কী মপি মপা ওইরগা ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎলবদি কোংগ্রেস পার্টি মূৎখিবগুম মূৎখিগনি হায়বসি কাউনদবা ফৈ। পোলিটিকেল পার্টি ওমর নত্তে। মন্ত্রি ওইরিঙৈ, ফমজাও পায়রিঙৈ, এম এল এ ওইরিঙৈ ওমর ওইনা খনবদি চহীনা কনাবু ঙাইবীরোই। থাজদ-থাজদা চহী হৌজিনখ্রে। লৈতোন শরূ পান্দে খন্দুনা ৱাজাও ঙাঙবগী মহুত্তা থবক ওইনা পায়খৎপীয়ু।

মণিপুর প্রজাশিং লাইরিক হৈবা মশীং ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকই। শেল খরা পায়রগা শেলনা প্রজা লৈগনি খনবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। নুমিৎকীদমক ওইনা ৱাবা তারগদ্রা? ইংলিস, হিন্দি, ইমালোল ফাওবা খঙদবা আইনবু লুপা পৈশানা য়াগনি, হুমদুনা পুগনি খনবদি ২১শুবা চহী চাসিদা অপংবা তাগনি। মন্ত্রি ওইরবসু এম এল এ ওইরবসু নতুংদা চিবোন চিবোন ঙাঙনরিবশিং কাউবীগনু। ঙসি ওইরিবা মন্ত্রি, এম এল এ মথংগী ইলেক্সনদা অমুক হন্না ওইরক্কনি খনবীগনু। মন্ত্রি ফম, এম এল এসু ওমর নত্তে। লৌশিং তানশিন্দুনা তুংগী খরদং খন্থবীরগা অচুম্বা অশেংবা খরদি থবক ওইনা ওন্থোকপীরম্মু, শিরগা লোইরবা পুন্সিনি। মীওইবা ওমর অমত্তা ওইবা খক য়াররোই। ওমর খুভমদি থবক্লা উৎকদবনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## উমং লোয়শঙগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয়গী কংলৈপাক অসি চীংলোন মাপলনা কোয়শিনবা পুৱারীগী পুক্কে থন্না লৈবা লমদম অমনি। কংলৈচাশিংনসু হেন্না খঙবী-উবীরবা ঙাক্তনি। তম্পাক লমদসু লাই ওইবা চীং খরসু লৈরি। লৈরিবশিং অসিগী মরক্তগী লাই ওইবা অহকপা মরাইবক থীরবা য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা চীং অমখক্কী মরমদা থমজগে।

ইম্ফাল ময়ায় লম্বী হায়না চৎলিবা অসিগী ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৭ কুম্বা হাইথরগা মখা পাংনা চেনবা নম্বুল তুরেল অসিগী মমাঙ থংবদা লৈবা চীংমৈ ৭ (তরেৎ) লোংবা চীং অমা উবীরমগনি। চীং অসিবুনি হৈপোক চীং হায়না খঙনদুনা ঙসিগী মীরোলনা ঙাঙনরি, শোন্নরি। তুংগী মীরোলনসু লেপ্তুনা শোন্নহৌরগনি। তেংবানবা মপুনা লৈশেম-নুংশেল্লকপদগী লৈরক্লবা অহকপা চীংনি। চীং অসিদা পুৱারীগী ওইবা থৌদোক কয়ামরুম থোকখিবগী ৱারী কয়া লৈরি। তেন্তক্লা থমজগে, মনীং থংবা তোর্ব্বান অমসুং চীংয়াগী লম্বী অনী অসিগী মরক্তা -ব- মানবা লমহাং অমা লৈ। মসিদা হৈপোক ইপাগা খুমন ক্বাকপগা শাথেং-লান্থেংনবদা চীং মথক্তনি খুমনগী লাম্মী তরা তাদুনা শি হায়দুনা তারুহি কোঞ্জিন হায়না ঙসি ফাওবা চিন্থাং য়ৈনা হায়নরক্লি। -ব- মানবা অহাঙবা লমহাং অসি দি সী অমনা কুমজা ১৯৬৪দা লৈহল্লম্বনি হায়না খুঞ্জা অমনা তাকপীরকই, হৌজিক্তি খুন্দা লৈতাদুনা মুসলিমশিংগী ওইবা অচৌবা খুল-লৈকায় অমা ওইরে।

চীং অসিগী অৱাংদা মন্ত্রি পুন্সিবগী লাইজ ইকোন ৫ (মঙা) লৈরি। য়েলহৌঙৈগী ওইবা লাইফমনি। মীনাইনা লুপ্পদা মপু ওইবা, মপুনা লুপ্পদনা ফমথোন কাবনে! খুমন সোইগী খা থংবদা নোংথৈ পাম্বী (মউ) লিংদুনা পাল্লমই। খাগেম্বা নিংথৌনা নোংথৈ ফংখি।

মাইচৌশিংনা লাং থাকপদা লাল্লুপ কাদবা লাই ময়াম থুই, লাই ময়াম্বু লাং থাকফমনি হায়বগী মফম অসিগী মমিংবু থোংলেন তাইবী কৌরম্বদগী লাংথবাল কৌথি (শাদিং পুয়া)। (১) (রাস মন্দল) হায়রিবা মফম অসিদা মচু অহুম ওইবা নূঙপাক অমা ঈশিং মনুংদা লৈ। (২) লাইখ্রা চিংজিন লুহোংবা থিলবদা দোলাই পুহৈদে - লাইখ্রাম পোকপা খুভম লৈ। (৩) লাই তুংগেল নুং ওইনা লৈ, কুমসি ইনৌ তাবদা ঙা থোকই, কুমচৎকী মহৈ অফ-ফত্ত খঙনৈ। (৪) খুমন ক্বাকপগী হিনাও, হিরু নুং ওইনা লৈ। (৫) হৈবোক ইমা মোনশানবি হৈবোক লাইরেম্বীনি। লালহামপুং লৈমা হেসোইবি, নোংমৈবুং লৈমা ইমোইনু, চিংঙা লৈমা লানবৈবি, পিশুম লৈমা শাফবী, লাংচিং লৈমা পিয়াইনু, লিৱা লৈমা তেংকোলচাইবী অসুম্না কোরৌ নোংহৌরক, অদুঙৈ মালেম লৈহৌনরকঙৈগী তিশক-লাইশক হোংদনা লৈরক্লবা ইপানি-ইমানি। লাইফম অসিবু ঙসিদি কামখ্যা দেবী হায়না থোনজিনবীখ্রে।

ইপাগী চীং অসিগী নোংচুপ থংবদা লৈবা থরোই লোক, হানুবী লোক, নোংকৌ লোক কৌবা অরুবা লোক লৈরি। থরোই লোক মনুংদা নুং ৪ লৈ। লাইথুং কোকপা মফমনে। হায়রিবা মফম অসিদা চহী খুদিংগী শিংতেক-শিংথাবা শিংশৎপা হায়দনা অখঙ অহৈ কয়াগা লোয়ননা শজিবু চৈরাওবদা পাঙথোকই।

অসুক লুখ্রবা চীং অসিদগী নুমিৎ খুদিংগী লৈবাক গাড়ী মশীং খঙদবমখৈ হোনে দাক্তুনা পুরি থিংবীনবা লৈতনা। মথক্তা পঞ্জখিবা অরুবা লাইফম লোক অহুম অসি শোকপা হৌরক্লে। ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট এক্ট ১৯২৭ সেক্সন ৩০ অমসুং ৩২গী মতুংইন্না প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লম খোপচিনবা অমসুং আইন কায়না থবক তৌবশিং চৈরাক পীবা য়াই হায়না য়াওরি। ফোরেষ্টকী এক্ট অসি লৈনা লৈনা লৈবাক হোনে দাক্লিবসিবু গভর্ণমেন্টনা ফ্রী থারিবরা হায়না চিংনদবা ঙমদ্রে। কংলৈচাশিংগী শেংলবা লাইফম্বু কনবীগনি হায়বগী থাজবা থমজরি। মৈরি মুৎখ্রগা মৈশা লৈহৌবা পামজদে। কংলৈপাক্কী সনামহী লাইনীংলোইশিংগী লূপশিংনসু অঙন্বা খোল্লাউ লাউবীয়ু। য়াইফরে ইমা হৈপোক্লা য়াইফরে। (চীং অসি ওইরিঙৈগী ৱারীদি থাবগী লোইবা নাইররোই)

**অদোমগী - হেরাঙম্বা মঙাং**

## ষ্টেটকী পাউ

### মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবস ওফিসতা গ্রেদ-১গী প্রমোসন কাদনবা হোৎনরল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮(ঐচ এন এস): হৌজিক-হৌজিক মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবসতা রেকোর্দ এটেন্দেন্ট গ্রেদ-টু ওইরিবী নিংঙোম্বম চিত্রা লৈমা অসি মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবসতা হান্নগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরম্বা হৌজিক্লা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুং অমুক হন্না ও এস দি ওইনা থৌ পুরিবা অসিনা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরিঙৈ মতমদা চিত্রাগী প্রমোসন কানবগী খূদোংচাবা অদু মাঙহনবীরল্লে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা থাজবা য়াবা পাউগী মতুংইন্না রেকোর্দ এটেন্দেন্ট গ্রেদ টুদগী গ্রেদ ৱান কাবা য়াবগী অশেংবা অচূম্বা আর আর অদুগী কলম অমা লৌথোক্লগা শেমদোক-শাদোক্লবা মতুংদা আর আর অমা চিত্রাদা উৎলগা য়েংউ নঙগী প্রমোসন কাবা য়ারোই অদুনা প্রমোসনগীদমক ক্লেম তৌজররোই হায়না মশানা য়ানা নমদুনা খূৎয়েক লৌখি। মসিগী মরমদি হায়রিবা রেকোর্দ এটেন্দেন্ট গ্রেদ ৱানগী পোষ্ট অসিগীদমক দেপ্যুটি দিরেক্টরনা মাগী নক্লবা মী অমা হাপ্পবগীদমক তৌবা ওইরমখি। কোন্নথংদা অচূম্বা আর আর অদু উরবা মতমদা হান্নগী দেপ্যুটি দিরেক্টরনা অচৌবা নমথাক অমা তৌবীরে হায়বা খঙলকখি।

সোর্ছ অদুনা মখা তানা হায়, হায়রিবা রেকোর্দ এটেন্দেন্ট গ্রেদ ৱান অসিগীদমক চিত্রা লৈমনা প্রমোসন কাবদা চয়েৎনবা লৈররোই। মরমদি আর আরগী মতুংইন্না মাগী মথৌ তাবা ট্রেনিং চৎলুরে। মসিদা নৎতনা মরী লৈনবা সর্টিফিকেটশিংসু লোইনা পায়রে, প্রমোসন কাবা য়াবগী চহীসু শুরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিনা প্রমোসন কাবা য়ারবা মীওইদা লাইন ওফ প্রমোসন পীফম থোকই। মসিনা মরম ওইদুনা মখা থাবা ইমপ্লোয়ীশিংদা লাইন ওফ প্রমোসন পীরকপদা চয়েৎনবা লৈতনবা হোৎনহন্নিংই।

### 'মঙ্গোলঙানবীনা থাঙ পায়খিদে'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮(ঐচ এন এস): ঙসি পাউচেশিংদা ফোঙনখিবদা তেরা লুক্রাম লৈরক্তা পোৎফম ফম্বী অহল ওইরবী নিংথৌজম মঙ্গোলঙানবীনা তেরা সাপম লৈরক্তগী মণিপুর পুলিস ৱায়রলেসতা সপ-ইন্সপেক্টর ওইবা হাওবিজম বাবুচৌবদা থাঙ য়ান্নবা হোৎনৈ হায়বা অদু অরানবনি হায়না মফম অদুদা পোৎফম ফম্বী য়াম্বেম রঞ্জনানা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা থৌদোক অদু বাবুচৌবনা য়ু ঙাওরগা মাগী কিচেনদা থাঙ মচা অমা পায়রগা উৎলকপা অদুদা অতোপ্পা পোৎফম ফম্বীশিংসু কিদুনা মনাক্তা চঙখিদবনি হায়রি।


**হেল্পর নুপী অমা পামজৈ**

য়ুমগী থবক নোম্বীনবা নুপী হেল্পর অমা পামজৈ। মশাগী অনা-অয়েক লৈতবা, অয়ূক্কী পুং ৭ ফাওবগী মনুংদা য়ৌবীবা ঙম্বা চহী ২৫ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা, মখাগী এদ্রেস অসিগা নক্লবা মীওইনা হেন্না পামজৈ। Kongba Khetri Leikai, Imphal, Phone no. 8119059275. HL-P/4050/9

**অপেনবা ফোঙদোকচরি**


সুধাকর

ঐগী ইচানুপী, অনামিকা (16 yrs)গী Right Upper Calyx তা লৈবা 3mm চাওবা নুঙ অমা অমসুং Right Lower Ureter দা লৈবা 7mm চাওবা নুঙ অনীসি নুংশিজরবা বাবা নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা শ্রী লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ন, স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোন শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবগা তান্নজরুরগা চয়োল মরি লায়েংবীরবা মতুংদা অল্ট্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংজরুবদা নুঙ অনীমক অমত্তা লৈরমদ্রে। হৌজিক্তি ইচানুপীগী মশাদা হান্না লৈরম্বা নুংঙাইতবশিং অদুসু অমত্তা লৈত্রে। মসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফাওজরে। মসিগীদমক্তা ওজা সুধাকরবু হন্না-হন্না থাগৎচরি। তুংদসু মীয়ামগী লেপ্তুনা সেবা ফংবা ঙম্বীয়ু হায়জরি।

অদোমগী : **এল রাজিভ রোই**
লাইরিক য়েংবম মখা লৈকাই
HL-P/4046/9,10,11

**দশা য়েংজরি**



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/7793/11/8-11/9

# T.M.D. BRICK FARM

Address: Opp. Khongjom Police Station
NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.50/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 11.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

**DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES**

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

**Labour Charges:**
**2000 Brick, Rs. 800/-**
**1500 Brick Rs. 600/-**

*First Come First Serve*

**Contact No. 8119002731/7005658426**
HL-P/3755/1/9-29/9 (alt)

/পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূকচেপ নাবা, মরক-মরক্তা পূক্তা মতুম অমা কোইচেন চেল্লকপা, অহিং তুম্বা য়াদবা, অকিবা পোকপা অমদি পাখৎপা, চাবা-থকপা য়াদবা, শিংলি-নাওরি শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা হান্নিংবা, খনাউদা ইথক্তা থনগৎলগা লৈবা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, মরক-মরক্তা পূক্তা মতুম অমা কোইচেন চেল্লকপা অদুগা অমুক ফখিবা, অমুক কোইচেন চেল্লকপা, শা-ঙা চারগনা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, অকিবা পোকপা অমদি পাখৎপা, চাবা-থকপা য়াদবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা পূক হেক্তা কংখৎপা, চাবা তুমদবা, কাময়া অনীমক নাবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, নময়াং মরিন নাবা, খ্বাঙ নাবা, কোক ঙাওরি-ঙাওরি তৌরগা লৈবা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হান্নিংলগতা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, পোথারগতা লৈনিংবা, শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাং মশা পূম্বা মতেক-মতেক নারগা চিকপা, খনাউ ইথক্তা থল্লগা লৈবগুম তৌবা, শ্বর হোনবা ৱাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Md. Najir Khan**
Yairipok
HL-B/7796/9


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 255/SDC/NTK/2022**

Thokchom Sanjoy Singh S/o Late Th. Madramohon Singh of Ningthoukhong Ward no. 14. - Petitioner

-Versus-

Late Laishram (N) Memtombi Devi D/o L. Mandon Singh of Ningthoukhong W/no. 14. - Opponent

**/ NOTICE**

Ningthoukhong, the 8th Sep., 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 43-Ningthoukhong Awang Village গী Patta no. 413 (O), 19/3209 (N) CS Dag no. 2133/3625 Area 0.15 acre তাওথবী ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপাতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong
HL-P/3783/9

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 257/SDC/NTK/2022**

SP. Devi Aimol W/o Late SP. Naranrhan Aimol of Kha Aimol. - Petitioner

-Versus-

Late Thirpu @ SP. Shomneithir Kom S/o Late Khompu Aimol of Kha Aimol. - Opponent

**/ NOTICE**

Ningthoukhong, the 8th Sep., 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 42-Potshangbam Village গী Patta no. 370 (O), 349 (N) CS Dag no. 1223 Area 1.51 acre out of 2.13 acre ফৌরেল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মমৌনুপী (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপাতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong
HL-P/3783/9


**/ MEE PAMJEI**

Russia, Muka amadi cotton gi saree ningthina saba heiraba lamdam asigi su-nomningba nupisingna The Renu Handloom and Handicrafts Co-operative Society Limited ta pao phaobiraknaba khanghallakli. Akuppa marolgidamak contact number 9366962090 da natraga Mantripukhri Mercy Land da leiba The Renu Handloom and Handicrafts Co-operative Society Limited ki office ta tha asigi 15 faobagi manungda laklaga khangbiraba yagani.

Paojenjariba : **Arambam Renu**
Secretary, The Renu Handloom and Handicrafts Co-operative Society Limited
HL-P/4049/9


**/ ORIGINAL CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Certificate of Acharya (MA) bearing Roll no. 40599 of 2000 issued by Rastriya Sanskrit Sansthan, New Delhi on the way between my residence to Nambol on 05/09/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Meghanath Koirala**
S/o Jai Prasad Koirala
Kanglatombi
HL-P/3782/9

**LIONS CLUB OF IMPHAL**

**International Association of Lions Clubs, District 322D**

**/ NOTIFICATION**

**Imphal, 7th September 2022**

This is for the information of general public that the fortnightly **Eye OPD at Lions Eye Hospital & Services Trust** managed by **Lions Eye Hospital & Services Trust of Lions Club of Imphal** will resume service from **11th September 2022 (Sunday)** between **10 AM and 12 Noon.** Those persons who are having eye problems or, who want to check-up their eyes may visit the **Lions Eye Hospital at Sangaiprou Airport Road Imphal** and avail the service. The Eye OPD will be opened on **2nd and 4th Sunday of every months.**

The next Eye OPD for the month of September will be opened on 25th September, 2022 (Sunday) at the same venue.

Sd/- **Lion Manas Maisnam**
Secretary
HL-P/3781/9

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST**

**/ NOTICE FOR OBJECTION**

**Dated, the 22-07-2022**

No.1/prop/SR/2021(IE): It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the **Pukhao Shantipur Youth Club** on 22/07/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rule, 2004 within the area of operation of Pukhao Shantipur, Imphal East District.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/ considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.
HL-P/4047/9

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।